**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য সভাগী এম.পি মহারাজা লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়রি- লাই হরাউবা অসি রাজ্য সরকারনা য়ুনেস্কোগী ইন্টেনজিবল কলচরেল হেরিতেজগী মনুং চলহন্নবা হোৎনরি।

২) বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখায় পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাথা লম্বীদা চীংদগী নোংমৈ কাপথরকপদা নুপী অমা শিরে।

৩) ১৬ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা চৎতুনা আই.এন.এ. হেদক্বাটর য়েংখ্রে।

৪) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম নেসনেল লিগেল সার্ভিস ডে ২০২৪ মণিপুরদসু ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৫) ঝারখন্দ অমসুং মহারাষ্ট্র বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

------

সনাজাউবা (এল)ঃ রাজ্য সভাগী এম.পি মহারাজা লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়রি- লমদম অসিগী লাইনিং লাইশোলগী মরুওইবা থৌরম অমা ওইরিবা লাই হরাউবা অসি রাজ্য সরকারনা অথুবা মতমদা য়ুনেস্কোগী ইন্টেনজিবল কলচরেল

হেরিতেজগী মনুং চলহন্নবা হোৎনরি।

মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী পেলেস ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী কলচরেল কম লিতরেরি মিট হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি শ্রী লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোঙদোকখিবনি। মহাকা হায়- মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী লম একর ১১৮ শিন্দুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা হোৎনরি। শ্রী লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়- মণিপুরগী স্পোর্টস অমসুং কলা সংস্কৃতি অসি মালেমদা অৱাংবা থাক্তা লৈরি। থৌরম অসিদা শরুক য়ারদুনা শ্রী লৈশেম্বা সনাজাওবনা লমদম অসিগী নাট অমসুং কলাবু য়োকখৎতুনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা মনিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরনা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখায় পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাথা লম্বীদা চীংদগী নোংমৈ কাপথরকপদা নুপী অমা শিরে।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা হায়- ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপা অদুৱাইদা কুম্বি কেন্দ্রগী মনুং চনবা ৱাথা লম্বীদা লৌ শুদুনা লৈবা মীওইশিংদা চীংথক্তগী নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা নুপী অদু লৈখিদবনি। মফম অদুদা লৈবা বি.এস.এফ পার্সোনেলশিংনা হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। চাউরাকা পুং ১ রোম নোংমৈ কাপখি হায়রি। মফম অদুদা মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। থৌদোক অদুবু মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবা ফোংদোকরক্লি।

পুলিস (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী মোংবুং মীতৈ খুল, বালিজ্রি অমসুং জারোলপোকপীগী অকোইবা মফমশিংদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ৭ শুবা আই.আর.বি, অসাম রাইফলস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। পুলিসকী পাউনা হায়- মোংবুং মীতৈ খুলগী অনকপা উমংশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লোৎতুনা থম্লম্বা

বুল্লেট প্রুফ মরি, মেগজিন হাপবা খাউ অমা, এস.এল.আরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু তরুক অমদি সিঙ্গল বেরেলগী মরু মঙা ফাগৎখি।

কম্মিসন (এল)ঃ ১৬ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা চৎতুনা আই.এন.এ. হেদক্বাটর য়েংখ্রে। ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমী-আর.কে. মনিপুরসনানা হায়-ডা: আরবিন পনাগরিয়ানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা মোইরাংদা হেক থুংলবগা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. থোঙাম সান্তিনা তরামা ওকখি।

মখোয়বু আই.এন.এগী লোকেল এদভাইজরি কমিতি-মোইরাং, আই.এন.এ. ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরীগী ক্যুরেটর-ডা: লাইশ্রম সধানানচিংবনা তরামা ওকখি। ডা: আরবিন পনাগরিয়ানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল ইহান হান্না য়ুংখিবা মফম য়েংখি অমসুং নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী মীতমদা লৈ কৎতুনা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা, মীহুৎ কাংবু অদুনা সেন্দ্র টুরিষ্ট রির্জোটতসু চৎখি। মফম অদুদা মখোয়বু লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতি (এল.দি.এ)গী চেয়ারমেন-এম. অশ্বিনিকুমারনা তরামা ওকখি।

অমরোমদা, কম্ম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা কম্মিসনগী চেয়ারমেনদা ৱারোল ১০ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম অদু ঙরাং ইম্ফালদা পাঙথোকপা ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়ারদুনা দল অসিগী মীহুৎ অনিনা পীশিনখিবনি।

ডে (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী লমজিং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা শিন্দুনা নেসনেল লিগেল সার্ভিস ডে ২০২৪ ইম্ফালগী চৈরাপ কোর্টতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ য়ুমখাম রোথর অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ জ্দিসিয়েল মেজিষ্ট্রিট অশেম তরুনাকুমারি শরুক য়াখি। লোয়ননা ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী ষ্টাফ অমদি অতৈ মেম্বরশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌবাল জিলাদসু নেসনেল লিগেল সার্ভিস ডেগী থৌরম দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি থৌবাল অমসুং লিগেল এইদ ক্লিনিক কিয়াম লিতানপোক অনিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী মনুং চন্না নেসনেল ফুড সেক্যুরিতি এক্ট অমসুং ভারত সংবিধানগী ফন্দামেন্টেল দ্যুতিগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি।

কনক্লেভ (এল)ঃ মথং চহিগী ফেব্রুৱারি ১৫ দগী পাঙথোক্কদবা অহানবা এফিকোন নোর্থ ইষ্ট টু ২০২৫ কনক্লেভকী ওফিসিয়েল ৱেব সাইট ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসনগী ওফিসতা হাংদোকখ্রে। কনক্লেভ অসি এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদর ইন্দিয়া মণিপুর চেপ্তর অমদি মণিপুর সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিং ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ, হেলথ দিপার্টমেন্ট, মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ, মহুদ অমদি হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবনি।

ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কদবা কনক্লেভ অসিদা হোংলক্লিবা অঈং অশাগী খল অমদি হকশেলগা লৈনরিবা মরী অমসুং মসিদগী ঙাকথোকবা পান্বেশিংগী মতাংদা মপান লমগী রিছোর্স পার্সনশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই ৬০০ লোমনা শরুক য়াগনি।

ত্রেনিং (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি, নেসনেল হেদক্বাটরস নিউ দিল্লিগী লমজিং মখাদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা সোসাইতি অসিগী ভোলুন্তিয়ারশিংগী ওইবা নুমিৎ মরিনি চথুরকপা ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি ইম্ফালদা লোইশিনখ্রে। নুমিৎ মরিনিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা খুদক্কী ওইবা তেংবাং পীবা, খুদোংথিবা থোক্লকপা মতমদা মী কনবা অমসুং থিবা হুম্বগী থবক চথবা অসিনচিংবা কয়া ভোলুন্তিয়ার ২০ লোমদা তাকপী তম্বীখি।

জিরি (এল)ঃ জিরি ইমা মৈরা পাইবী অপুনবা লূপ জিমপালগী ২২ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি লূপ অসিগী বাবুপারাদা লৈবা হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা পুরকবা হোৎনমিন্নবগী মতম ওইরে হায়না ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মৈরা পায়বী লুপ কয়ানা শরুক য়াখি।

হেল্প লাইন (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী ৱিমেন এন্দ চাইল্ডগী হান্নগী হেল্প লাইন নম্বরশিং অদু খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী অনৌবা মোবাইল নম্বরশিং **7005776144** অমসুং **8119918257** দা ওইনা পাউ ফাওবীরকবা খঙহল্লক্লি।

ফোরেষ্ট (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা রিগুলর অমসুং কন্ত্রেক্ট বেসিসতা ফোরেষ্ট গার্দ লৌনবগী হয়েং পাঙথোক্কনি তৌরম্বা পরিক্ষা অদু মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে। দিপার্টমেন্ট অসিগী কন্ত্রোল্লর ওফ একজামিনেসন্সসু ওইরিবা দিপ্যুতি কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসি য়েংলগা পরিক্ষা অসি য়ৈথোকবা ৱারেপ লৌবনি। পরিক্ষাগী মতম নৌনা লেপ্পগনি হায়রি।

ওবিত (এল)ঃ মণিপুরগী থিয়েটরগী লমদা অচৌবা মফম অমা কল্লম্বা নিংঙোম্বম জাদুমনি মশাগী অনাবা অমদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দ লাইরেন হঞ্জবা লৈকাইদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা ঙসি অয়ুক লৈখিদ্রে। মহাকা থিয়েটর শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া তৌরম্ববু শকখঙদুনা সঙ্গিৎ নাটক একাদমি এৱার্দ অমসুং সাহিত্য একাদমি এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুমখি।

মীখল ঃ ঝারখন্দ অমসুং মহরাষ্ট্র বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবা কয়ানা মীখলগী

রেল্লি অমদি রোড সো পাঙথোক্তুনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা ঙমজবী থাদুনা হোৎনরি।

প্রধান মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহারাষ্ট্রগী অকোলা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফমশিংদা ৱা ঙাংখি। শ্রী মোদিনা হায়- লশিং থারিবা লৌমীশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা অমদি উদ্যোগকী লমদা চাওখৎহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা হোৎনরি। মসিগীদমক মহারাষ্ট্রগী অম্রাবতিদা টেক্সতাইল পার্ক শানবা থৌরাং তৌরি। পার্ক অসিনা লশিং থারিবা লৌমীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবা ঙমগনি। শ্রী মোদিনা হায়- হন্দক্তা মরাঠি লোলবু ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজগী থাক্তা পুখৎখিবা হায়বসি মহরাষ্ট্রগী মীয়াম্বু ইকায় খুমবা উৎপনি। রাজ্য অদুদা বিরোধি দল ওইরিবা মহা বিকাস অগারি অমসুং কংগ্রেস অসি শেঞ্জা থুমজানা পীক থল্লে হায়না মহাকা মরাল শিখি।

থৌরম অদুদা রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং শিব সেনা লুচিংবা একনাথ সিন্দে, উপ-মুখ্য মন্ত্রিশিং অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ়ন খরগেসু রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি। মহাকা নাগপুরদা চত্তুনা ডাঃ বাবা সাহেব অম্বেদকরগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মরক অসিদা, শিব সেনা (য়ু.বি.টি)গী মকোক উধব থাক্রেনা মহারাষ্ট্রদা লৈবা লল্লোন ঈতিক তৌফম অমদি ইন্দষ্ট্রি কয়াবু গুজরাত্তা পুনবা হোৎনরে হায়না সানা পায়রিবা মহা য়ুতি  সরকারবু মরাল শিরি। রাজ্য অদুদা নুপীগা মরী লৈনবা ৱাথোক কয়া নাচুংদ্রে হায়নসু মহাকা রাজ্য সরকারবু মরাল শিখি।

মীফম ঃ    ৮৩ শুবা ইন্দিয়ান রোডস কংগ্রেসকী চহিগী মীফম ছত্তিসগরগী কোনুং রাইপুরদা হৌজিক চত্থরি। নুমিৎ মরিনি চত্থগদবা মীফম অসি থা অসিগী ১১ দা লোইশিনগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা ঙরাং কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা লম্বী শেম শাবা অমসুং অশোই অঙাম

য়াওহন্দনবগী মতাংদা অনৌবা গাইদ লাইন অহুম অমসুং মেন্যুএল অমা ফোংদোখি।

ডে ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি নেসনেল লিগেল সার্ভিস ডে পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি মীয়ামদা আইনগী মরমদা খঙহন্নবা অমদি শোত্থনা লৈরবা মীওই কাংলুপশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হায়বসিনি। চহি খুদিংগী ঙসিগী নুমিৎ অসি ইং কুমজা ১৯৯৫ দগী হৌনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসি শোত্থনা লৈরবা অমদি কনা লৈজদ্রবা মীওইশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা পান্দমদা ইং ১৯৯৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিজ এক্ট শেমখি।

উত্তরাখন্দ ঃ উত্তরাখন্দ, রাজ্য অমা ওইখিবা ঙসি চহি ২৫ মপুং ফারে। নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা পীবা ভিদিও মেসেজ অমদা হায়-লাক্লিবা চহি ২৫ অসিদা রাজ্য অসিবু হেন্না মপুং ফানা চাওখৎনবগীদমক সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খৎলগনি।

এক্সিদেন্ট ঃ উত্তর প্রদেশকী ফিরোজাবাদ জিলাগী অগ্রা-লখনৌ এক্সপ্রেস-ৱেদা খামদুনা লৈবা গাড়ি অমগা বস অমগা থেংগাইনবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ শিরে, কয়া অমনা অশোক অপন নংলে। বস অদুনা মাথুরাদগী লখনৌ তমা লাকপগী লম্বীদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোক্কি (এল)ঃ চেন্নাইগী মেয়র রাধাকৃষ্ণন হোক্কি ষ্টেদিয়মদা হৌজিক চত্থরিবা ১৪ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি

শান্নখিবা গ্রুপ-ঐচকী মেটচ অমদা মণিপুরনা বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৩-১ মায়থিবা পীখ্রে। মণিপুরগী পাঞ্জলশিং অদু মোইরাংথেম রবিচন্দ্র অমসুং নিলাকান্ট শর্ম্মনা অহুমসুবা ক্বাটরদা পাঞ্জল অমমম অমসুং সিরিল লুগুননা মরিসুবা ক্বাটরদা অমা চনখিবনি। মণিপুরগী মথংগী মেটচ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অসামগা শান্নগনি।

বেদমিন্টন (এল)ঃ তেলঙ্গানাদা চত্থরিবা এন.এম.দি.সি. তেলঙ্গানা ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসতা মণিপুরগী কোঞ্জেংবম প্রিয়া অমদি মহাক্কী মপাং সুরতি মিশ্রা ফাইনেল চংলে। ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা মখোয়না প্রগতি অমসুং বিশাখাগী জর়াবু ষ্ট্রেট সেট- ২১-১০, ২১-১৮ মায়থিবা পীখিবনি। নুপাগী সিঙ্গলসতা মনিপুরগী মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং সেমি ফাইনেল লৈহৌরে।

ফুটবোল (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী লৌরেংবম লৈকাইদা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল এস.দি.পি.ও. চিংথাম অনন্দকুমার মেমোরিএল ভেটেরিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ভি.এফ.সি(বি) অমসুং চেম্প এফ.সি পাঞ্জল অনি অনি চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদসু এফ.এল.এ.কে অমসুং কে.এফ.সি পাঞ্জল অনি অনি চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

কাং (এল)ঃ ৱা লিদা ৱাবগাই কাংশঙদা চত্থরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ মেমোরিএল লিখ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নগদবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ ক্লাসা (বি) লাক্তবদগী ক্লাসা-এনা ৱাল্ক ওভর ফংখ্রে। হুয়েং হোক অমসুং কে.কে.সি.ও শান্নগনি।

ক্রিকেট ঃ  ৫ শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর সিক্সতিন বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ ত্রোফি ২০২৪-২৫ ক্রিকটে টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লিগ রাউন্দ মেটচতা পি.সি.সি ময়াই  কোইবীনা আর.সি.এ লিলোংবু ৱিকেট ৫ দা

থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা এস.সি.সি.সি শিংজমৈবু ৱিকেট ৮ দা, ত্রাউ ক্লাকৈথেলনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্বু রন ১৩৭ তা, সেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্লাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু রন ১৪ দা মায়থিবা পীখি।

এথলেটিক (এল)ঃ বেঙ্গল এথলেটিক্স এসোসিয়েসন্না য়ুম্বু ওইদুনা কোলকাতাগী ডাঃ বিধানচন্দ্র রোই কিরন গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা ৭ শুবা ইন্তরনেসনেল ইনভিটেসনেল মাষ্টরস এথলেটিক চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ ঙসি লোইশিনখ্রে। ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী মুহামদ ৱাহিদুর রাহমন্না চহি ৪৫ মথক্কী লোং জম্পতা সনাগী তকমান অমা, এল. ধনবির সিংহনা চহি ৪০ মথক্কী মিতর ২০০ গী লমজেলনা লুপাকী তমান ১, এস. মাইপাক সনানা সোটপুট শেঞ্জেং অমদি জেব্লিন থ্রোদা লুপাগী তকমান অনি ফংখি।

এৱার্দঃ ভারতকী নুপাগী হোক্কি টিমগী কেপ্তেন হরমনপ্রিত সিংহদা ইন্তিরনেসনেল হোক্কি ফেদরেসন্না পীবা চহি অসিগী এফ.আই.ঐচ. প্লেয়ার ওফ দ ইয়ার এৱার্দ পীরে। শান্নবদগী পোত্থারবা গোলকিপর পি.আর. শ্রীজেসসু গোল কিপ্পর ওফ দ ইয়ারগী মনা পীরক্লে। ঙরাং ওমানদা পাঙথোকপখিবা ইন্তরনেসনেল হোক্কি ফেদরেসনগী ৪৯ শুবা ষ্টেটুটরি কংগ্রেসতা মনাশিং অদু পীখিবনি।

স্নোকরঃ ভারতকী পঙ্কজ অদবানিনা আই.বি.এস.এফ ৱার্ল্ড বিল্লিয়ার্দস চেম্পিয়নসিপ ৱান ফিফতি অপ ফোর্মেটকী টাইটল লৌরে। কটারগী দোহাদা পাঙথোকখিবা তুরনামেন্টকী ফাইনেলদা পঙ্কজ অদবানিনা ইংলেন্দগী রোবার্ট হোলবু মায়থিবা পীখিবনি।

------